# য়ুক্রেনদা লান তাগে নিংবা লৈতেঃ রুসিয়ান ফোরেন মিনিষ্টর



রুসিয়ান নেভিগী জহাজ অমদা পানবা আর্মরি অমগী মনাক্তা লান্মী অনি লেপ্লি

*ক্রেমলিন, মার্চ ২৯ঃ* মোস্কোনা লান্মী থাজিন্দুনা য়ুক্রেনবু লৌশিন্নবগী অনিংবা অমত্তা লৈতে হায়না রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোবনা ফোংদোকখ্রে।

অদুবু হৌখিবা ইরাই ফাওবদা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা পাবা খুজিংদদি য়ুক্রেনগী ঙমখৈ মনাক্তা থোমজিল্লক্লিবা রুসিয়াগী লান্মীশিং অসি চাওরাক্লা লিশিং ৪০ রোমদি শুরগনি হায়বগা লোয়নন্না মহৌশাগা মান্নদনা লান্মী পৈশিল্লক্লিবা অসিদা য়ু এসনা নুংনাংবসু ফোংদোকখ্রবনি।

হান্না য়ু এস অমদি য়ুরোপিয়ান সোর্সশিংনা চয়োল অসিগী হৌরকপদা লান্মী মশিং লিশিং ৩০ রোম ওইগনি হায়না ফোংদোকখ্রবা মতুংদা অহেনবা লান্মীশিং পৈশিল্লক্লিবা অসিগা মরী লৈননা য়ু এসনা মোস্কোদা লান্মীশিং হন্দোকহন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা য়ু এস অমদি রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট অনিনা য়ুক্রেন ৱাথোক অসিবু দিপ্লোমেটিক ওইনা লোইশিন্নবা কুপ্পা খন্নরিঙৈ চৈরক্তা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনদি য়ুক্রেনদা রুসিয়ানা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নদুনা লৌশিন্নবা অনিংবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোংদোকখিবনি।

চৈরক অসিদা য়ুক্রেনগী হান্নগী বোক্সর অদুগা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা ভিটালি ক্লিটস্কোসু য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টকী মীখলদগী হন্দোকখ্রে।

মে থাদা পাঙথোক্লবা লেপ্লিবা মীখল অসিদা মহাক্লা পেত্রো পোরোসেনকোবু ওইনা শৌগৎলগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মীখলদা মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লন্বীদি দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী মীরেপ অমখক নোমিনেট তৌবনা ওইগনি হায়নসু ক্লিটস্কোনা ফোংদোকখ্রে।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখিবদু হ্বাইট হাউসনা হায়বদদি পুটিননা কোল তৌরকপনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মসিনা চুপ্পা ওইরগদি য়ুক্রেন ৱাথোক অসিদা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবগী খুদমনি হায়না লৌবা য়াই। লান্মীগী খোঙথাং হৌজিমক্কী ওইনদি লোইশিনবনা চুপ্লে হায়না পুটিননা খনবা ওইগনি হায়না হ্বাইট হাউসকা নক্লবা লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

অদুবু পুটিনগী টেলিফোন কোল অদুগী মতাংদা ক্রেমলিননা হায়বদদি মরুওইবা বার্গেনিং অমা লৈবদগীনি হায়না ফোংদোকখি।

মোলদোভাগী ত্রান্স-নিয়েষ্টর রিজননা তোকখাইনা তাবা পান্বগী মতাংদা রুসিয়াগী ওইনদি হান্নগী সোভিয়েট লৈবাকশিংগী মথক্তা কন্ত্রোল হেনগৎনবা পান্দম লৈবা মরমনা মরুওইবা হিরম অমা ওইনা মসিসু টেলিফোনগী ৱারী অদুদা পন্নখি হায়নসু ক্রেমলিননা ফোংদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাইদা পুং ১ রোম চুপ্পা লৈবাক অনিগী প্রসিদেন্টশিংনা ৱারী শান্নখিবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা য়ু এসকী ওইনদি দিপ্লোমেটিক ওইবা ৱারোইশিন শৌগৎপগী ফিরেপ অদু লেংদ্রি হায়না ওবামানা পুটিনদা খঙহনখ্রে হায়রি।

ৱারোইশিন অসি করিগুম্বা রুসিয়ানা য়ুক্রেন ঙমখৈদা পৈশিল্লিবা লান্মীশিং হন্দোকখিবা তারগদি ওইথোক্লিঙাই লৈ হায়বসি ওবামানা শেংনা খঙহনখি হায়নসু হ্বাইট হাউসকী চেরোল অমদা ফোংদোরকপনি।

য়ু এসকী জোন কেরি অমদি রুসিয়াগী সর্গে লাভরোবনা অথুবা মতমদা উন্নবা হায়বসিসু মথংগী মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইনা লুচিংবা অনিনা য়ানখি হায়রি।

য়ুক্রেন অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিংগা খন্নরবা মতুংদা য়ু এসনা শেম্বা প্রপোজেল অমদা য়ুক্রেনগী ঙমখৈদা পৈশিল্লিবা লান্মী, রুসিয়ান লোন ঙাংবা ক্রিমিয়াগী মীয়ামগী হক ঙাক্লবা ইন্টর্নেস্নেল মোনিটর ক্রিমিয়াদা চংহনবগী ৱাফম অমদি রুসিয়াগী লান্মীশিং মশা মশাগী বেজদা হনখিবা অসিনচিংবশিং মরুওইনা য়াওই হায়রি।

ক্রেমলিনগী মায়কৈদগীদি কিয়েবতা হৌজিকসু কা হেনবা ৱাখল চেনবশিংনা মনিং তৌরিবা অসিগী মতাংদা পুটিননা ওবামাগী পুক্লিং চিংশিনখ্রে হায়না ফোংদোকখি।

# চাইনাগী জহাজশিংনা অনৌবা মফম অমদা থিবা হৌখ্রে




*বৈজিং, মার্চ ২৯ঃ* মাঙখ্রবা মালেসিয়াগী প্লেন অদুবু থিবদা চাইনাগী জহাজশিংনা ইন্দিয়ান ওসিনগী অনৌবা মফম অমদা অহেনবা মীৎয়েংগা লোয়নন্না চংশিনখ্রে। এরোপ্লেনশিংনা ঙরাং লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখিবা অতেক অকাই ওইরম্বা য়াবা পোৎলমশিং ফংনবা চাইনাগী জহাজ অনি মফমদুদা চংশিনখ্রে হায়রি।

খ্বাইদগী চিংনরিবা মফম অদুগী নোংথক্তা চাইনাগী প্লেনশিংনা ঙসি পাইদুনসু য়েংখি। হান্না খন্নরম্বা মফমদগী অৱাং নোংপোক অৱাং নোংপোক্তা লৈবা সমুদ্রগী শরুকশিংদা অহেনবা পোৎলম খরসু ঙরাং চাইনাগী প্লেনশিংনা উরকখি হায়না জিনহুৱা ষ্টেট নিউজ এজেন্সিনা ফোংদোকখ্রে।

হায়জুন ০১ হায়বা নেভিগী পেত্রোল সিপ অসিগা জিঙ্গাংসান হায়বা হেল্লিকোপ্টর অনি য়াওবা জহাজ অসিগা নৌনা থিনরিবা মফমশিংদা য়ৌশিনখ্রে হায়বগা লোয়নন্না অতেক অকাইশিং, অয়ুবা থাও অমদি লাইফ জেকেটনচিংবা পোৎলমশিং জিঙ্গাংসাননা থিগনি হায়বগা লোয়নন্না ওপরেসন অসি চাইনাগী এরোপ্লেনশিংনা সমুদ্রগী ইমায়দা কোল্লা মচু, অঙৌবা অমদি অঙাংবা মচুগী অতাওবা পোৎলমশিং উরকপদগী চংশিনখিবনি হায়নসু জিনহুৱানা ফোংদোকখি।

হায়রিবা মফম অসিমক্তদা ঙরাংসু থিবদা য়াওখিবা এরোপ্লেন ৫ রোমনা মচু মখল কয়াগী য়াম্না পিকপা পোৎলমশিংসু য়াওনা অতাওবা পোৎ কয়ামরুম উবা ফংখিবনি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা পোৎলমশিং অদু মাঙখ্রিবা প্লেন অদুগীরা হায়বদি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। অমরোমদা ঙসিগী ওইনা নুংশা চিংশাগী ফিভম অফবা ওইরি অদুবু অথেংবদা ফত্তবা ওইরকপা য়ানসু লৈরি। চৈরক অসিদা মালেসিয়াগী এক্টিং ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর হিসামুদ্দিন হুসেননা হায়খিবদা, মাঙখ্রবা প্লেন অদুদা য়াওখিবা মীওইশিং হিংনবু ওইরবসু নত্রগা শিনবসু ওইরবসু শোইদনা ফংনবা থিগনি হায়বা থাজবা পীখ্রে। প্লেন অদুদা য়াওখিবা চাইনিজ পেসেঞ্জর ১৫৩ অদুগা মরী মতা অমদি ইমুং মনুংশিংনদি থৌদোক অসিগী মতাংদা মালেসিয়ানা ফোংদোকপা ৱারোলশিং থাজনিঙাই ওইদে হায়না ফোংদোকখ্রে হায়রি।

# অফগান ইলেক্সন কম্মিসন ঐচ ক্যু এটেক তৌখ্রে



অফগান ইলেক্সন কম্মিসন হেদক্কার্টর্সকী কম্পাউন্দ মপান্দা পুলিসশিংনা ফিভম শেল্লি

*কাবুল, মার্চ ২৯ঃ* টালিবান লালহৌবশিংনা কাবুলদা লৈবা অফগান ইলেক্সন কম্মিসনগী হেদক্কার্টর্সতা এটেক চথখ্রে। অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মীখল চয়োল অমরোম মাঙজৌননা চথরকখিবা এটেক অদুদা ঙসি নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা নুপীগী ফিজোলদা মশক লোৎলগা নম্ফুদা চংশিল্লক্তুনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ওটোমেটিক খুৎলায়শিংনা কাপশিনখিবনি হায়রি।

অফগান পুলিসকী স্পিসিয়েল ফোর্সশিংনসু এটেক্করশিং অদুগা মায়োক্লদুনা অহুম নত্রগা মরিদি হাৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিসনা ফোংদোরক্লি।

অফগানিষ্টানগী কোনুং অসিদা মরুওইনা ফোরেন এদ ৱার্করশিংনা অয়াম্বা লৈবা গেষ্ট হাউস অমদা এটেক চথখিবা মতুং নোংমা কোনবদা ঙসিগী এটেক অসি চথরকখিবনি। টালিবান ৱাঙাংলোই জাবিউল্লাহ মুজাহিটনা ঙসিগী এটেক অদু মখোয়না চথবনি হায়বা ৱাফম বি বি সিদা কনফার্ম তৌরকখ্রে হায়রি।

কাবুল পুলিসকী মকোক জেনরেল জাহিরনসু এটেক্করশিং অদুগী মরক্তগী অহুমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিরে হায়না বি বি সিদা ফোংদোরকখি হায়রি।

এটেক্করশিং অদু রোকেট প্রোপেল্ড গ্রেনেদ (আর পি জি) লোঞ্চরশিং অমদি অতৈ অফবা খুৎলায়শিং পায় হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

হৌজিক ইলেক্সন কম্মিসন বিল্ডিং মনুংদা চংখ্রবা ইন্সর্জেন্ট অমসু এলিট ফোর্সশিংনা মায়োক্লরি হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখি।

ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্সন কম্মিসন (আই ই সি) হায়বা চেকশিন্না ঙাক শেল্লবা কম্পাউন্দ অসিদা এটেক তৌনবা এটেক্করশিং অদুনা মথোল অহুম লোংবা বিল্ডিং অমদগী খোঙহৌফম ওইনা শীজিন্নরকখিবনি। অদুগা কম্পাউন্দ মনুংদা লৈবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা পোৎলম অমদি চে চাংশিং থম্বা কা অমসু মৈ চাকখি হায়না থৌদোক থোকফমদগী পাউমী অমনা ফোংদোরকখি।

মথোল অহুম লোংবা বিল্ডিং অদুগী মপুনা হায়বদা, এটেক্করশিং অদু বুরখানচিংবা উপ্পুনা নুপীগী ফিজোলদা মশক লোৎলগা মহাক্কী য়ুমদা চংলকখি হায়বগা লোয়নন্না মখোয়না চংলকপা মতমদা অঙাং নুপী অমত্তা য়ুম অদুদা লৈখিদে হায়বা ৱারোল অমসু পন্দুনা পুলিস চিফ অসিনা ফোংদোরকখিবনি।

হন্দক মরক টালিবাননা চথরকখিবা এটেক খরা পনবা তারবদি হৌখিবা মার্চ ২৮ দা কাবুলদা ফোরেন এদ ৱার্করশিংনা লৈবা গেষ্ট হাউস অমদা নোংমৈ পায়বশিংনা এটেক চথরকখিবা অমদি কাবুলগী আই ই সি ওফিসতা টালিবান স্যুসাইদ বোম্বরশিংনা এটেক চথরকখিবা অদু পনবা য়াই। অহানবগী থৌদোক অসিদা লন্বীদা শান্নদুনা লৈবা চহি ১০ গী নুপীমচা অমা শিখি অদুগা অনিশুবা থৌদোক অসিদনা পুলিসমেন অনি শিখি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# ৱাশিংটন লেন্দস্লাইদকী অশিবা মশিং হেল্লকপা য়ারি

*অর্লিংটন, মার্চ ২৯ঃ* নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ৱাশিংটন ষ্টেটতা থোকখিবা লৈবাক অমদি লৈনাং কিস্থরকপগী থৌদোক অদুগী মতুংদা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা মীওই ৯০ রোমগী ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংনা মখোয় মখোয়গী নক্লা চানবা মীওইশিং হিংলম্বা য়াবগী থাজবা হন্থরকপগা লোয়নন্না অশিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাশিংটনগী গভর্নরনসু ষ্টেট শিন থুংনা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা লাউথোকখ্রে।

অশিবগী মশিং অসি থাজদনা য়াম্মী অদুগা থাজদনা ৱাখলগা তাইয়োন্নবা অমসু ওই হায়না স্কৱার মাইল ২.৬ রোম শন্দোকপা লৈবাক লৈখোম মরক্তা থিবগী থবক্তা মশানা চোংথোরক্তুনা মতেং পাংলিবা বোব মিচাইলা হায়বা অমনা ফোংদোকখি।

অশি অনা নংলিবা অমদি অৱাফমদা তারিবা পুন্নমক য়ুম্লোন কৈরোন্নবশিং, ইমুং মনুংশিং অমদি মরুপ মপাংশিং ঙাক্তনি। তম্পাক অসিদা লৈমিন্নরিবা পুন্নমক অমনা অমবু ঙম্নমক মশক খঙনবনি হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং চয়োল অমা ফারক্লবা মতাং অসিদা ওফিসিয়েল ওইনা শিরে হায়বা মশক মমিং খঙলবা মীওইশিংগী মশিং ১৭ শুরে। হৌখিবা মার্চ ২২ গী অয়ুক্তা ইখঙ খঙহৌদনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবদগী ওসো টাউনগী মনাক্তা লৈবা রিভর ভেল্লি অসিগী য়ুম কয়ামরুম মাঙ তাকহনখ্রবনি।

তশেংনা খঙদ্রবসু ৱাখলনা শাজিনবা অশিবগী মশিং য়ামদ্রবদা ২৭ ওইগনি হায়নসু পান্নরি।

পনবা য়াবদি থিরিবা মীওইশিংনা ফংবা অশিবা হকচাংশিং মেদিকেল একজামিনরগী ওফিস য়ৌরক্তবা তারগদি ওফিসিয়েল ওইবা অশিবগী মশিংদা চন্দে হায়নসু স্নোহোমিস কন্টিগী একজিক্যুটিভ দিরেক্টর গেরি হাকেনসননা ফোংদোকখ্রে।

# নুপীশিংগী য়ু টি আই ঙাকথোক্লবা পোরম খরা

*নুপী ওইবীশিংদা হেক-হেক থোকপা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ু টি আই) হায়বসি কিদনি, য়ুরেটর, ব্লদর নত্রগা য়ুরেথ্রাদা থোকপা ইনফেক্সন অদুনি।*

*য়ু টি আই মখল পুন্নমক ঙাকথোকপা ওইথোক্তবসু এক্সপার্টশিংনা অকক্লবা চেকশিন থৌরাং খরা চথরগা ইনফেক্সন থোকপগী খুদোংথিবা হন্থহনবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোংদোরক্লি।*

*থৌরাংশিং অদুদি অহানবদা, মহি মনাই য়াম্না থকপাঃ ঈশিং অমদি মহি ওইবা অতৈ থকপা য়াবা পোৎলমশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। অদুবু ব্লাদরদা অৱাবা পীবা কেফেন অমদি অলকোহোলদি থকপা হন্থগদবনি। মহি মনাই য়াম্না থকপনা ঈশিং চৎপা হেলহন্দুনা ঈশিং মরিদগী বেক্টরিয়াশিং শেংনা তাম্থোকপদা মতেং ওই।*

*হক্কী ঈশিং মচু য়াকশিল্লবা অদু ওইরবদি মহি মনাই থকপগী চাং হেনগৎকদবনি।*

*ক্রেনবেরি মহিনা য়ু টি আই ঙাকথোকপদা মতেং ওই হায়বগী খুদম লৈ।*

*অনিশুবদা টৌইলেট হায়জিনঃ কৈদৌঙৈদা হক্কী ঈশিং চৎনিংবদা মতম শাংনা খাংজিনগনু। মপান থোক্লিংবা ফাওরকপদা হেক্তমক থোকপা খ্বাইদগী ফৈ। মপান থোকপা লোইরগা হকচাংগী অমাংথোংদগী য়ুরেথ্রারোমদা বেক্টরিয়া পুশিল্লক্তনবা হকচাংথোংগী মখারোমদা নপথোকপনা অচুম্বা মওংনি।*

*অহুমশুবদা কন্সটিপেসনঃ খোঙ হাম্বা য়াদবা হায়বসি য়ারিবমখৈ থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি। মরমদি অমাংবা য়ৈখৎপগা য়ু টি আই থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথিবগা নক্লা মরী লৈনৈ। চানবা চিঞ্জাক্তা ফাইবরগী চাং য়াম্না য়াওবা, ঈশিং মরাং কায়না থকপা অমদি অতৈ মহৌশাগী মহি ওইবা পোৎলমশিং মরাং কায়না থকপনা অমাংবা য়ৈখৎহন্দে হায়নসু এক্সপার্টশিংনা খঙহল্লক্লি।*

# ব্রাজিলদা প্লেন অমা মমাং চাকা য়াওদনা নম্ফুদা তাশিনখ্রে




*ব্রাজিল্লিয়া, মার্চ ২৯ঃ* ব্রাজিলগী এয়ারপোর্ট অমদা এভিয়ানকা এয়ার লাইন্সকী পেসেঞ্জর জেট অমা ঙরাং মমাং চাকা য়াওদনা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে হায়না ওঠোরোটিশিংনা ফোংদোরক্লি।

ফ্রন্ট লেন্দিংগী গীয়ার য়াখিদবদগী ফোকর ১০০ জেট অদু পেসেঞ্জর ৪৯ গা লোয়নন্না মনিং চাকানা চেলহন্দুনা তাথরকপদা প্লেনগী নোজ অদু রনৱেদা শুজিনখি। অদুবু লাইবক ফবদগী পেসেঞ্জরশিং অমদি ক্রু মেম্বর ৫ মক অশোক অপন অমত্তা য়াওখিদে হায়না ব্রাজিল্লিয়ান এয়ারফোর্সনা ফোংদোরক্লি।

নম্ফুদা হেক তারকপগা এয়ারপোর্ট ফয়ার ক্রুশিংনা এরোপ্লেন অদু মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা ফোমিং তৌখি। এরোপ্লেন অদুগী পাইলটনা নম্ফুদা তানবগী ৱাফম ফোংদোরকপগা লোয়নন্না ব্রাজিলগী কোনুং ব্রাসিলিয়াগী নোংথক্তা কোয়না পাইরগা থাও লোইথোকহন্দুনা এরোপ্লেনগী অরুম্বা য়ারিবমখৈ হন্থহনখি।

কন্ত্রোল টৱারগা পাইলোট অদুগা শান্নখিবা ৱারী মতেক অদু গ্লোবো নিউজ টেলিভিজন চেন্নেলদা রেকোর্দিং থাদোরকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা এয়ারফোর্সগী ৱাঙাংলোইনা হায়বদা, প্লেন অদু হায়দ্রোলিক প্রোব্লেম অমা থোক্তুনা ফ্রন্ট লেন্দিং গিয়ার ওপন তৌবা ঙমখিদে। মরম অসিনা পাইলোট অদুনা বেল্লি লেন্দিং তৌখিবনি হায়রি।

লমদম অদুদা অনৌবা রুটশিং হেনগৎহন্দুনা এভিয়ানকা ব্রাজিল অসি ব্রাজিল্লিয়ান মার্কেটতা ফজনা চাওখৎলক্লিবা কেরিয়ার অমনি। মসি জর্মন এফ্রোমোভিস হায়বা অসিনা কন্ত্রোল তৌবা সাইনর্জি গ্রুপনা চলাইবনি হায়রি।

# লোস এঞ্জেলিসতা মেগ্নিচুদ ৫.১ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে




*লোস এঞ্জেলিস, মার্চ ২৯ঃ* কালিফোর্নিয়াগী খা থংবা লোস এঞ্জেলিস এরিয়াদা মেগ্নিচুদ ৫.১ গী চাংদা য়ুহা হাবা অমা থোকখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোংদোরক্লি।

লোকেল টাইমদা ঙরাং নুমিদাং পু ৯.১০ দা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুগা য়ুহা হাবা অদুগী ময়োলনা লা হাব্রা টাউন্দগী নোংপোকলোমদা মাইল অমরোম চখোল্লগা লৈবা মফম অমদা তাখি। থৌদোক অসিদা কা হেন্না অমাং অতা থোকপা নত্রগা মী অশোক অপন য়াওখিবগী পাউদি খুদক্কী ওইনা লৈত্রি হায়রি।

থা অসিগী হৌরকপদসু লোস এঞ্জেলিস মনাক্তা মেগ্নিচুদ ৪.৪ গী চাংদা য়ুহা হাবা অমা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদসু মীয়ামনা মীপাইবা পোক্লখি। অদুবু অচৌবা অমাং অতাদি থোকখিদে।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভে (য়ু এস জি এস) না হায়বগী মতুংইন্না ঙরাংগী য়ুহার হাবা অদু লৈনুংদা মাইল ১.২ খক্তমক লুথনা অথেনবা য়ুহা হাবা অমা ওইখি।

য়ুহা হাবা অদু ব্রাজিলগী নোংপোক্লোমদা পাম স্প্রিংস অদুগা অৱাংলোমদা ভেন্টুরা কন্টিদসু য়ৌনা লৈবাক মরিরোমদা ফাওনখি হায়রি।

লোস এঞ্জেলিস ফয়ার দিপার্টমেন্টনা হায়বদা, য়ুহা হাবা অদু থোকখ্রবা মতুংদা বিল্ডিংশিং অমদি ত্রান্সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদসু অশোক অপন য়াওব্রা হায়বগী চেক্কিং চথরি হায়না ফোংদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়বদা, ঙরাংগী য়ুহা হাবা অদু মীয়ামদা খুদোংথিববু নিংশিংহন্দুনা খু শেন্না লৈনবা ৱার্নিং ওইনা থোকখ্রে হায়খি।

পেসিফিক টেক্টোনিক প্লেটকী মতাইদা লৈবা সান এন্দ্রিজ ফোল্ট অসি কালিফোর্নিয়া চপ চানা ফাওরগা নোংচুপথংবা য়ু এস ষ্টেটশিংদা পরিং চথখিবনি হায়রি।




